থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# বেঙ্ক! মীয়াম্না বেঙ্ক শকখঙলবরা?

বেঙ্ক হায়বসি ময়াম্না- শেল থমজিনফম/তুংশিনফম (সেভিং তৌফম) অমদি শেল পুফম (লোন লৌফম) ওইনা লৌনৈ। লৈবাক অমগী ইকোনোমি (শেল থুমগী ফীভম) গী থাক লেপ্পদা বেঙ্কশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি ঐখোয় মীচম মীয়াম্না খঙফম থোকপদু খঙদবনি। মীচম মীয়ামদি তোকখ্রসি, মহৈ-মশিন নীংথিনা হৈরবা, হায়বদি লাইরিক হৈরবা মী, অচৌ-অশাংশিংনা ফাওবা বেঙ্কিং সেক্তর অসি নীংথিনা মশক খঙদরি। ঙসিগী থম্মোয় পাউদম ওইনা লৌখৎচরুরিবা হীরম- 'বেঙ্ক অমদি মসিগা মীয়ামগা লৈনবা মরী'- ঐহাক খঙই, মীয়াম্না খ্বাইদই খঙনিংদবা অমদি পানিংদবা ৱাফম অমনি। পানিংদবা/তানিংদবা হিরম অমগী মরমদা ইগে/তমগে খল্লুরিবা ঐহাকসু অঙকপা মী হায়'দুনি। অদুবু, পানিংদ্রসু পানিংদনা ৱাহৈ চামঙা চাতরুকখত্তুনি পাথোকপীয়ু নোল্লুকচরি। মরমদি, বেঙ্কিং হায়বগী অনৌবা মীরোলগী মীওইবা ঐখোয়দা কয়ামুক মরুওইবগে হায়বদু দিমোনেটাইজেসন হায়না খঙনবা, শেল ময়েক অনীমক চৎনহনখিদবা হাক্তক্তা হকথেংননা খঙখ্রেদনা! তূমগনি, চাগনি খঙদবমখৈ লৈবাক অসি (ইন্দিয়া) শিনবা থুংনা বেঙ্কতা ক্য (পরেং) লেপ্নখিবা- উখ্রেদনা পুম্নমক্লা। লাক্কদৌরিবা নুমীৎশিংদসু মীওইবনা হিংবদা বেঙ্কশিংনা লৌরক্কদবা থৌদাং হেন্না পাকথোক চাউথোরক্কদৌরি। বেঙ্কিং সার্ভিস লৌবা অমদি শীজিন্নবা হৈতবা-মতমগা চুনদবা, মালেমদা হিংবা নত্তবা অতোপ্পা তাইবংদা হিংলুবগা পাঙ্খক ওইরক্কদৌরে।

মীয়ামগা পাউ ফাওননবা ৱাফম অমত্তং ৱামাঙ ওইনা য়াঞ্জহৌগে। বেঙ্ক হায়বসি মখল অহুম শুই- (১) সেন্ট্রেল বেঙ্ক, (২) ইনভেষ্টমেন্ট বেঙ্ক অমদি (৩) কম্মর্সিএল বেঙ্ক। লৈবাক অদা সেন্ট্রেল বেঙ্ক অমদগী হেন্না লৈবা য়াদে। মাদি মনিটরি ওথোরিটিনি। ইন্দিয়াগী সেন্ট্রেল বেঙ্কতি 'রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া'নি। মীচম-মীয়াম, লন্নাই কষ্টমরশিংগা



দাইরেক্ট মরী লৈনদবা, বেঙ্কিং ইনষ্টিট্যুটশিংদা শেন্থং পীবা বেঙ্ক মখল খরা লৈ, মখোয়দুবু ইনভেষ্টন্টে বেঙ্ক হায়না খঙনৈ- নবার্দ (নেসনল বেঙ্ক ফোর এগ্রিকলচর এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট), সিদবি (স্মোল ইন্দষ্ট্রিজ দিভলপমেন্ট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া) নচিংবা। লৈবাক মীয়াম্না খঙনরিবা 'বেঙ্ক' হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্লা উনরিবা 'কম্মর্সিএল বেঙ্ক'- লল্লোন ইতিক্কী থবক তৌবা বেঙ্ক মখল অসিনি। মীয়াম্না লান্না খন্নে- বেঙ্কশিংদা লৈরিবা শেল ময়ামসি গভর্ণমেন্টকী শেল ঙাক্তনি, লৈবাক্কী চাউখৎ থৌরাংদা শীজিন্নবনি। বেঙ্কশিংদগী শেল পুবা (লোন লৌবা) হায়বসি কষ্টমরশিংগী ফংফম থোকপা হক অমনি- খল্লি বেঙ্ক অমদা একাউন্ট হাংলবা কষ্টমর খুদিংমক্লা ৱাখল অসি অরানবনি।

বেঙ্কতা লৈরিবা শেনফম-শেনয়াম পুম্নমক লায়রবা শিন্মী অমদি শুবা নোম্বা কঞ্জবা শেল তানবা হৈজবা মীচম ময়াম পুম্নমক্কীনি। মশিং য়াম্বা লায়রবা মীয়ামগী ৱানা তাঞ্জবা শেনফম, বেঙ্কতা তুংশিল্লকপদু ইনাক খুনবা খুজোক অমা শেমগৎপদা শীজিন্নবা শেন্থং ওইনা পীথহনবনি।

কুমজা ১৯৬৯ গী জুলাই থাগী মমাঙদদি ইন্দিয়াদা লৈরিবা বেঙ্ক পুম্নমক অসি শেঞ্জাও পায়বা লন্নাই মীওইশিংগী ওইরন্মী। বেঙ্ক এমপ্লোয়ী হায়বসি বেঙ্ক মপুশিংগী ময়ুমদা লোইবা মীনায়গা পাঙ্খক ওইরন্মী। ওফিস কাবা, কুম্বগী মতম লৈরমদে, ছুটিগী মওং চৎনরমদে, অকক্লবা খুৎশুমল লৈরমদে। তপ্পা তপ্পা বেঙ্ক এমপ্লোয়ীশিংগী ওর্গনাইজ-মুভমেন্ট অমগী মহয় ওইনা সার্ভিস কন্দিসন শেল্লকখি, নেসনেলাইজ তৌরকখি। প্রাইভেট সেক্তরদগী পব্লিক সেক্তর ওল্লকখি। সাইজিন সায়াদা, উপু-কাংথোলদা, মোন্দা-মোম্পাক্তা অহেনবা শেল তুংশিল্লম্বা, ফুঙ্গা লাইরুগী শেম্ফুদগী শেল পব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিংদা থমজিল্লকখি। চাউরবা ইন্দিয়াগী 'শেল-থুমগী-য়াংলেন শরু' পব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিংনা ওইরকখি। হুরান-পুকচেল চেনবা লৈঙাক থৌরম পুবশিং অমদি অচৌবা করবারৱালাশিং- অনীনা খুৎপু শেল্লগা পব্লিক সেক্তর বেঙ্কপু লুৎ তৌফম ওন্থোরকখি। লুপা ক্রোর চা কয়ানা খুজিং ওইবা লোন লৌরগা শিংনি খঙদবদগী ইন্দিয়ন বেঙ্ক অমদি ফইনান্সিএল ইনষ্টিট্যুসনশিং ঙসি লুরবা তানফম অমদা লেপ্লি। গভর্ণমেন্ট'না হায়- পব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিং অমুক নৌনা প্রাইভেটাইজ তৌরগা প্রাইভেট কোর্পোরেট হাউস'শিংদা য়োন্থোকপা নত্তনা বেঙ্ক কনবা ঙল্লরোই, ইন্দিয়ন ইকোনোমি ফগৎহনবা ঙল্লোই।

বেঙ্ক এমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নশিংনা হায়রিবনা... ' কোর্পোরেট হাউসশিংনা বেঙ্কতগী লুৎ তৌবগুম লৌখিবা, শিংঙু য়াদ্রবা লোনগী শেনফম শিঙ্গৎহল্লু, শোকচিল্লবা বেঙ্ক খুদক্তা খীং খীং লাউগনি... বেঙ্কশিংবু লুট্টরশিংগী খুৎতা শিন্নবগী থৌশিল শিনগনু...'। মমিং মথা লাউথোকউ য়াদবা, অচৌ অচৌবা তৌবা ঙম্বা মীওইশিংনা বেঙ্কতগী লোন লৌখ্রগা অমুক শিঙ্গৎলু য়াদ্রবা (নন পার্ফোর্মিং এসেট, এন পি এ) গী শেনফম অপূনবা লুপা ক্রোর লাখ নিপানগী মথক্তনি। মীওই ৫৭ খক্তংদা লুপা ক্রোর লীশিং মরিফুমঙানি। মখোয়গী মমিং মথা ফোঙদোকউ, শেনফম অদু খোমগৎনবা থৌরাং পায়খৎলু হায়না সুপ্রীম কোর্টনা আর বি আইদা য়াথং তৌরবফাওবদা, য়াথং অদু থওইদ্রিবা করি মরম লৈবনো? ৱাখলদুনা শাগৎপীয়ু। ওল ইন্দিয়া বেঙ্ক এমপ্লোয়ীজ এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি'না লোন দিফোল্টরশিংগী লিষ্ট ফোঙদোক্লগা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট'তা লানখৎলুব-গীদমক, মমাঙগী য়ু পি এ গভর্ণমেন্ট'না এসোসিএসন'দুগী মথক্তা ক্রিমিনেল কেস থাঙ্গৎলক-খিবনি। 'লায়রবগী হুমাংমল ইনাক খুনবা খুজোক খরগী লুট তৌফম ওন্থোক্লু, হুরানবা লোনি ফাগৎলু'... এসোসিএসনগী খোল্লাউনি।

শিংদ্রবা লোন শিংহন্নবা 'বেদ বেঙ্ক' অমা লিংখৎনবা লৈঙাকসিনা থৌরাংলি। হয়েং পাউদমজরক্কে।

লৌশিং পুক্কে

# অশাউবনা হকচাংদা থোকহল্লকপা অমাঙবা

অশাউবনা মীওইববু হিরম কয়াদা অমাঙ-অতা থোক-হল্লি। মীওইবা মশেলগী মরক্তা থম্নবা মরীদা অকায়বা পীবতা নত্তনা হকচাংদসু অমাঙ-অতা থোকহল্লকপা য়াই।



শাউবা মতমদা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা মরম্না কনাগুম্বা অমবু হার্ট এটেক নৎত্রগা ষ্ট্রোক তৌহনবা য়াই। মীপুম খুদিংমক পুন্সিগী তাঙ্কক অমা নৎত্রগা অমদা শাউনিংবা ফাওরকই। মসিদি মহৌশাগী ওইবা পূক্লিং ইথিলনি। অদুবু অশাউবা উৎথোকপা অমদি মদুবু খুদুম চন্নবা হোৎনবগী মতাংদদি মীপুম খুদিংমক অমগা অমগা মান্নদে।

এটলান্টাদা লৈবা পিদমোন্ট হোস্পিটালগী কার্দিওলোজিষ্ট দেভ মোন্টগোমরিগী মোত মতুংইন্না মচিং-মশোন নাইবা মওংদা য়াম্না তোয়না শাউগনবা মীওইশিং হার্ট এটেক তৌরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়রি।

হার্ভার্ড স্কুল ওফ পব্লিক হেল্থকী লোরা ক্যুবজেনস্কিনা হায়খি, কা-হেন্না শাউনিংবা ফাওরকপা মতমদা এড্রেনেলিন অমসুং কোর্টিসোল য়াওনা ষ্ট্রেস হোর্মোনশিং থাদোরকপা মরম্না হার্টকী মথৌ হেগৎলকই অমসুং নিংশা শ্বর হোনবগী চাং হেনগৎলকই। মতমদুদা ঈ উতোং চপশিল্লক্তুনা অর্টরিগী ৱালদা অহোংবা থোরক্তুনা চাবা তুমদবা অমদি পুকনুংঙাইতবনচিংবা কয়া ওইহল্লকপা য়াই। অতৈ অতোপ্পা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওংদি কোক চীকপা, তুম্বা য়াদবা, ৱাখল চরাংনবা, হার্ট এটেক অমসুং ষ্ট্রোকনচিংবনি।

কনাগুম্বা মীওই খরদি শাউনিংবা ফাওরকপা মতমদা মশা ফাথবা ঙমদবদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওং কয়া চথরকই। মদুনা মরম ওইরগা মশা মথন্তা নৎতনা অতোপ্পা মীবুসু অশোক-অপন নংহনবা য়াওই।

অশাউববু পান্বে ওইনা শীজিন্নরগা অতোপ্পা মীওইশিং কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরকপদগী মী তীন্নবা য়ারক্তুনা খুন্নাইদগী নাইতোম তারকই। করিগুম্বা অমুক হঞ্জিল্লক্কদবনি। অচীকপা মফম অমদা ফল্লগা নিংশা শ্বর শাংনা হোন্দুনা মেদিটেসন তৌরগা পূক্লিং ফাথনবা হোৎনবসু কান্নগনি।

শাউগনবা মীওইশিংগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা হায়খি, পূক্লিং-ৱাখল লৈতাদবা মীওইশিং তোয়না শাউগল্লি। চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি ষ্ট্রেসকী লেভেল হন্থরকপা মরম্না পূক্লিং ফাথবা ঙম্মী। চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি পূক্লিং ৱাখলগী ফীভম কন্ট্রোল তৌবা ঙল্লকপা মরম্না ষ্ট্রেস লেভেল হন্থরকপদগী শাউগন্দে।

অশাউবগী মওং মতৌ করম্বা মওংদা উৎথোকপগে হায়বদু মী অমগা অতোপ্পা অমগা মান্নদে। ফনা য়াম্না শাউনিংলবসু চীং লেম্না মোমোন নোকপা ঙম্বা মীওই কয়া লৈ। কনাগুম্বা খরদি মশা ফাথবা ঙমদদুনা অফ-ফৎত খঙদবা মওংদা অশাউবা উৎথোকপসু য়াওদনা নত্তে। হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়, অঙাং খুদিংমক




অকায়বা থোকহনবদগী ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকই। চাংচৎতা য়েংনবদা ঈং তপ্পা মীওইবশিংদগী য়াম্না তোয়না শাউগনবা মীওইশিংনা থম্মোয়গী লায়না নারকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ১৯ লোম হেল্লি।

য়াম্না তোয়না শাউগনবা মীওইশিংগী মেটাবোলিজমদা মতমদা তাইনফম খঙদবদগী মরাল লৈজদবা অঙাং অমসুং হূই-হৌদোংগুম্বদা তাইনবা য়াওরকই।

মতৌ করম্না অশাউববু খুদুম চনগদগে হায়বগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়, শাউনিংলকপা মতমদা ঙাইহাক্কী ওইনা মফম অমদা চৎথোক্লুরগা ঈংথরক্লুবা মতমদা মমা-মপাগী মতৌ তম্লগা নোকপা শাউবা হৈরকপনি। মরম অদুনা করম্বা মওংদা অশাউবা উৎথো-ক্কদগে হায়বদু মমা-মপা ওইবশিংনা তম্বীবা মথৌ তাই।

ফজবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা অফবা পাউতাক পীবগী মহুত্তা থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা উৎপনা ইফেক্টিব ওইবা হেল্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা মমা-মপানা তোয়না শাউগনবগা লোয়ননা পোৎচৈদা হেক হেক তাইনবা তারবদি অঙাংশিংসু শোয়দনা মতৌ তম্লক্কনি। অশাউবা ফাথনবগী মতাংদা খ্বাইদগী ফবা পান্বেদি চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌদুনা পূক্লিং ৱাখল অমসুং হকচাংগী ফীভম ফনা থম্বা হায়বসিনি। অশাউবনা হকচাং শোকহনবা নৎতনা অতৈ অতোপ্পা কান্নবা অমত্তা পুরক্তে হায়বা অঙাংশিংদা ময়েক শেংনা খঙহনবা মথৌ তাই।

ৱেন সোটিলনা ইবা 'থ্রাইবিং ৱিথ হার্ট দিজিজ' কৌবা লাইরিক অমগী মতুংইন্না মীওইবনা শাউরকপা মতমদা ঈগী ঈচেল কনখৎলকপগা লোয়ননা হার্টকী মথৌ হেনগৎলকই, মিহুল কন্না চোংলকই, নিংশা-শ্বর হোনবগী চাং হেনগৎলকই অমসুং হকচাংগী কয়াৎ খুদিংমক কান্নদবদা মথৌ হেন্না পাঙথোকহল্লি। মদুনা মরম ওইরদুনা হকচাংগী কয়াৎশিং শোকচিল্ল-কপদগী পুন্সি তেলহনবা য়াই।

ন্যুয়োর্ককী কার্দিওলোজিষ্ট হোলি এস এন্দরসননা হায়খি, থম্মোয়গী লায়না নাবদগী হোস্পিটালদা পুখৎলকপা মীওই অয়াম্বা তোয়না শাউগনবা মীওই ঙাক্তনি। অনা-লায়েংবগী শিনফমদা লৈরিবা ডোক্তরশিংনা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং লায়েংবগী মথক্তা অশাউবনা হকচাংদা থোকহল্লক্কদবা অমাঙ অতাশিংগী মতাংদা মীয়াম্বু মমুৎ তানা খঙহনবা মথৌ তারক্লে।

# মিনিষ্টর শ্যামকুমারবু তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



থৌবাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচ এন এস): অন্দ্রো এ সীদগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা মায় পাক্লক্তুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মহুদ, টাউন প্লান্নিং, হোর্টিকলচর অমদি সোইল কঞ্জার্ভেসন, ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর ওইরিবা টি ঐচ শ্যামকুমারবু তরাম্না ওকপা অমদি ঈকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমা ঙসি অংথা লাইবুং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

অংথাগী অকোয়বদা লৈবা ক্লব অমদি মৈরা পায়বী লূপনা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মিনিষ্টরবু মীয়াম্না হরাও-তয়াম্না ওক্লদুনা অচম্বা খুদোল কয়াসু তমখি। এ সী অসিগী ওইনা চহী ২৫ মণিপুর লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ফম পায়বা ফংলক্তুবা মতুংদা নৌহৌননা হন্দক্তা বি জে পিনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা এ সী অসিগী এম এল এবু মিনিষ্টর ওইহল্লকপগীদমক ৱাঙাঙলোয় অপেনবা ফোঙদোক্লখি। এ সী অসিগী চাউখৎপা এ সী অমা ওইনবা মিনিষ্টরনা অচৌবা থৌদাং লৌরক্লুবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মহুদ মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, মীখল মমাঙদা এ সী অসিগী মীয়ামদা পীখিবা থাজবা অদু ঙাক্লা চৎপা ঙম্নবগীদমক বি জে পিদা য়াওবনি। চহী ১০ ওপোজিসন্দা লৈখিবনা মীয়ামগী অৱাৎ-অপা কয়া মপুং ফানা নীংবা থুংহনবা ঙমখিদবা অদু হৌজিক্তি অয়াম্বা মপুং ফানা পায়খৎপা ঙল্লগনি। বি জে পিগী অনৌবা লৈঙাক অসিনা চীং অমদি তমদা চপ মান্নবা মীৎয়েং থমদুনা চাউখৎপদা থোং মান্নবা লমদম অমা শেম্নবা হোৎনগনি। পান্দম থল্লিবা অসি মায় পাক্লুবা হোৎনবদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু। অন্দ্রো এ সীগী অৱাৎ অপা কয়া অথুবা মতমদা থবক ওইনা পায়খৎলগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা তুলিহল জিলা পরিষদকী হান্নগী অধক্ষা কে তোম্বী, সোসল ৱার্কর টি ঐচ ববিতা (মিনিষ্টরগী লোয়নবী), ওল অংথা মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট কে মেনি অমদি সেক্রেটরি কে যামিনিসু শরুক য়াখি।

# দ্রাইভরশিং ভোট থাদবা ফংহন্দবগী ৱাকৎকনি : রঞ্জিৎ

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচ এন এস): তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্ব্লী মীখলদা মথৌ তৌখিবা গাড়ীগী দ্রাইভরশিং ভোট থাদবা ফংহন্দবগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) দা ৱাকৎলগনি হায়না ট্রান্সপোর্টর এন্দ দ্রাইভর কাউন্সীল (টি দি সী) গী প্রসিদেন্ট ঐচ রঞ্জিৎনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

টি দি সীগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ঐচ রঞ্জিৎনা হায়খি, মীখলগীদমক শীজিন্নখিবা দ্রাইভর অমদি গাড়ীগী মীওইশিং ভোট থাদহন্নবা থবক পায়খৎকনি হায়না সী ঈ ও মণিপুরনা হায়খিবা লৈরবসু হন্দক্কী মীখল অসিদা গাড়ীগী মীওইশিং ভোট থাদবা ফংহনখিদে। ভোট থাদবগী রাইট মাঙহনখিবা অসিগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্দা ৱাকৎকনি। দ্রাইভর য়াওনা গাড়ীগী মীওইশিং ভোট থাদবা ফংহনখিদবা অসিগী মতাংদা সী ঈ ওনা শেংদোকফম থোকই।

ষ্টেট অসিদা অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা থবক তৌরিবা ট্রান্সপোর্টরশিংগী গাড়ীশিং নাথৈরম্লগা হন্দক্কী মীখল অসিদা অসামদগী গাড়ী কয়া শীজিন্নখি। অসামদগী গাড়ীশিং ৱাইনবা সী ঈ ও, জোইন্ট সী ঈ ও অমদি ট্রান্সপোর্ট ওফিসরনা হোৎনবগা লোয়ননা গাড়ী খরা ৱাইখি। গাড়ী শুনা ৱাইবদি ফংখিদে। ফীভম অদুদা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি অমদি দি জি পিনা কন্না হায়রকপদগী টি দি সীনা মণিপুরদগী অৱাৎপা গাড়ীশিং পীখিবনি। মীখল মায় পাক্লা চত্থখিবা অসিগী ক্রেদিট দি জি পি অমদি মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরিনা ওইগদবনি। তঙাইফদবা মতমদা চীফ সেক্রেটরি অমদি দি জি পিনা হায়রকপদগী টি দি সীনা গাড়ীশিং পীদুনা মীখল অসি মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে।

ষ্টেট অসিদা মতম শাংনা ৱাজরক্লবা ট্রান্সপোর্টরশিং মীরায়রম্লগা অসামদগী গাড়ী ৱাইরিবা অসিগী অরোনবা এজেন্দা করি লৈবগে হায়বসি হংনিংঙাই ওই। অসামদগী করিগীদমক গাড়ী ৱাইরিবনো হায়বগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্না নীংথিনা থিগৎপীয়ু। সুগমগী খুথাংদা গাড়ী ৱাইবগী বিলনচিংবা পীগনি হায়বসি য়ানিংদে। চীফ সেক্রেটরি অমদি চীফ দি জি পিনা হায়রকপদগী টি দি সীনা গাড়ী পীখিবনি। ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট অসি সী এমনসু পায়বা দিপার্টমেন্ট ওইবনা য়াম্না ট্রান্সপরেন্ট ওইনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টতা অমোৎপা লৈরিবা মীয়াম অসি শেংদোক্লবা মরী লৈনবশিংনা নীংথিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# শেল, পোৎলম কয়া ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচ এন এস): রেদ সিল্ড দিভিজনগী সেনাপতি বৃগেদকী মীৎয়েং মখাদা জ্বালামুখি বট্টালিয়ন্না কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী জি খোলেট ভিলেজদা চেক তৌবগী থবক চথবদা ইন্দিয়ন করেন্সিগী য়াম্লবা শেনফম য়াওনা পোৎলম কয়া ফাগৎখ্রে হায়না পি আই বি দিফেন্স ৱিং, ইম্ফালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চেক তৌবগী থবক চথরিঙৈদা ইম্ফাল্লোমদগী দিমাপুর তম্না থৌরকপা স্কোর্পিও এম এন ০১ এস-৭৯৪০ খামদুনা চেক তৌবদা ইন্দিয়ন করেন্সিদা লুপা ৪৯৭৮৩১, মোটোরোলা জি পি ৯৫০ ফোন অনী, এ টি এম কার্দ ৩, দ্রাইভিং লাইসেন্স অনী, পান কার্দ অনী, মোবাইল ফোন মরি, ভোটর আইদেন্টিটি কার্দ ২ ফাগৎখি।

য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকায়, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী অথোকপম অমিট সিংহ (৩৪), অপোকপা ধনঞ্জোয় কৌবা মীওই অমসু ফারে। ফারবশিং অসি ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস ষ্টেসন্দা খুৎশিন্নখ্রে হায়নসু পি আই বি দিফেন্স ৱিং, ইম্ফালগী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তারি।

# লোক অদালট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচ এন এস): অনীশুবা থাংজ নুমীৎ খুদিংগী পাঙথোকপা লোক অদালট ঙসি থৌবাল লীগেল সার্ভিস ওথোরিটিনা শীন্দুনা থৌবাল কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

সী জে এম, থৌবাল, জে এম আই সী, থৌবাল অমসুং হান্না ফেমিলি কোর্ট মণিপুরগী জজ ওইরম্বা এল বিরেন্দ্রকুমারনা মথংশিংনা চ্যেরপার্সন ওইনা বেঞ্চ অহুম থোক্লা ফমখিবা লোক অদালট অদুদা থৌবাল অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা এস বি আই অমসুং বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী পুন্না কেস ১২, থৌবাল কোর্টতা লাকপা কেস ৮ ৱায়েল চত্থখি। চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী কেস ৫ ৱায়েল চত্থবদা লুপা ১৪৭৯০০০ সেট্টল তৌদুনা লুপা ৬০১০০ খোমগৎখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা কেস ৭/৭ ৱায়েল চত্থদুনা লুপা ১৮৭৯৩৫৫ সেট্টল তৌখি। থৌবালগী কোর্টতা লাকপা সিবিল কেস ৮ সু য়ানবা পুরকখি। লোক অদালট অদুদা এ গোপেন শর্ম্মা, এ পি পি, এদভোকেট কে ঐচ অরুনজয়, এস মাইপাক, এম দি জাকির রুসিয়ন, এন মোধু, ৱাই মোহেন্দ্রোসু মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# ফূরম্বা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচ এন এস): ফাইটোল ভিলেজদগী চোংপি মপুরোইবা ইবোমচা কৌবা মীওই অমবু ময়ুমদা ফূরম্বা অমদি অকিবা পীরম্বগী থৌওং কন্দেম তৌই হায়না কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, জিরি এন্দ তমেংলোং ব্রাঞ্চনা কন্দেম তৌই হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্ট হাওখোসেম সিংসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ৪ গী নুমীদাং পুং ১১ তাবদা এ এস আই অমনা লুচিংবা মণিপুর পুলিস কম্মান্দো কাঙবু অমনা চোংপিগী য়ুমদা লাক্লগা ফূ-চৈবা অমদি কিহনবগী থবক চথরম্বনি। পুলিস পার্সনেলশিং অদুনা নুপী অদুদা নোংমৈ উৎতুনা কিহল্লমখি। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা হিরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীদুনা চপ চাবা থবক লৌখৎলু। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মফম অসিদা তৎতনা চথরে হায়নসু কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, জিরিবাম এন্দ তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট হাওখোসেম সিংসননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# উহৈ অমদি মনা-মশিংগী মমল হন্থরে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচ এন এস): উহৈ-ৱাহৈ অমদি মনা-মশিংগী মমলশিং ষ্টেটসিগী অনৌবা লৈঙাক্লা মোনিটর তৌবগী থবক চঙশিল্লি। উহৈ অমদি মনা-মশিংগী মমল হৌখিবা থাদগী খরা হন্থরে হায়না চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিএটনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা অনৌবা লৈঙাক অসিনা উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা-মশিংগী মমল মোনিটর তৌবা হৌরে। হৌখিবা থাগা য়েংনবদা চৎলিবা থা অসিদা উহৈ অমদি মনা-মশিংগী মমল খরা হন্থরে। চহীসিগী মার্চ থাদা অঙ্গুরগী মমল কেজিদা লুপা ৩৬০ পীবদু লুপা ৩০০ দা হন্থরে। সেমগী মমল লুপা ১২০ অদুম্মক লৈ। কমলাগী মমল কেজিদা লুপা ৯০ দগী লুপা ৮০ দা হন্থরে। হৈনৌগীদি কেজিদা লুপা ১৮০ দা লৈরি। টোমেটো কেজিদা লুপা ৪০ দা লৈরি। ব্রিঞ্জালগীনা কেজিদা লুপা ৩৫ দা হন্থরে। কোবীনা কেজিদা লুপা ৩০ দগী ২৫ হন্থরে। গ্রীন চিলি লুপা ৫০, কর্লিফ্লৱারনা লুপা ৩৫ দা লৈরি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# মীওই ১০২ রোম লায়েংদুনা লেম্না হিদাক লাংথক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ : ঈশিং-ঈচাউগী অৱাবা নংখ্রবা কৈশামথোং এ সীগী মনুংদা লৈবা মফম ৮ দা চত্থরকপা ফ্রি মেদিকেল কেম্প ঙসিগী ওইনা কোঞ্জেং হজারি লৈকায় য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লব (কে ৱাই দি সী) দা পাঙথোকখ্রে।

দিরেক্টোরেট ওফ অয়ুশ , গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মখাদা কে ৱাই দি সীগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা ফ্রি মেদিকেল কেম্প অদুদা তোঙান তোঙানবা মীওই ১০২ না মখল কয়াগী লায়ওংশিং য়েংখিবগা লোয়ননা লেম্না হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি।



ফ্রি মেদিকেল কেম্প অদুদা লায়েংবগী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অয়ুশ দিপার্টমেন্টকী পব্লিক হেল্থকী জোইন্ট দিরেক্টর ডা. লৈমপোকপম প্রোমিলানা হায়, হন্দক ঈচাউগী অৱাবা নংখ্রবা মীওইশিংদা ঈশিংনা থোকহনবা লায়না লায়ওংসি পাক শন্না শন্দোরকপা থিংনবা অয়ুশনা পাক শন্না মেদিকেল কেম্প অসি শিনবনি। মহাক য়াওনা ফিজিসিয়ন ডোক্তর অমা, ষ্টাফ নর্স, ফার্মাসিষ্ট অমদি গ্রেদ ফোর অমা য়াওনা পুন্না ৬ না কেম্প অদুদা শরুক য়ারি।

ঈশিংনা শন্দোকপা লায়না লায়ওংশিং ফুগ্রি, লায়হৌ, লোক খুবতা নত্তনা লূ-তাঙ চিকপা, ব্লদ প্রেসর, লিভর সিরোসিসনচিংবা কয়াসু লায়েংবা লাকখি। মখা তানসু লম্ফেলপাৎতা লৈবা অয়ুশ হোস্পিটালদা চেক অপ তৌনবা খঙহনখ্রে।

# নেসনল লোক অদালট পাঙথোক্তুনা কেস কয়া দিস্পোজ তৌখ্রে




ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট লীগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিনা শীন্দুনা ঙসি চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা নেসনল লোক অদালট পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা কেস কয়া দিস্পোজ তৌখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট লীগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী ওফিসর ওন স্পেসল দ্যুটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নেসনল লোক অদালট অসি থৌবাল, বিষ্ণুপুর, উখ্রুল, সেনাপতি, চুড়াচান্দপুর, চান্দেল, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতসু মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট লীগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখি। হায় কোর্ট লীগেল সার্ভিসেস কম্মিটি, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনসু হায় কোর্ট কমপ্লেক্সতা নেসনল লোক অদালট পাঙথোকখি।

লোক অদালট পাঙথোকখিবা অদুদা তোঙান তোঙানবা কেস কয়া দিস্পোজ তৌখি। প্রি লিটিগেসন বেঙ্ক মেটরদা কেস ১৬৪ দিস্পোজ তৌবগা লোয়ননা লুপা ১,১৮,২১,৯৮৬ কী শেনফম সেট্টল তৌখি। প্রি লিটিগেসন ৱাটর বিল মেটরদা কেস ১২ দিস্পোজ তৌদুন লুপা ৭৪২৫০ গী শেনফম সেট্টল তৌখি। ক্রিমিনেল কম্পাউন্টেবল কেস ৮ দিস্পোজ তৌদুনা লুপা ১০৬৫০০০ সেট্টল তৌখি। ইন্সুরেন্স ক্লেম কেস মঙা দিস্পোজ তৌখিবগা লোয়ননা লুপা ১৭৮৫০০০ সেট্টল তৌখি। এন আই এক্ট কেস অমা দিস্পোজ তৌদুনা লুপা ২৫০০০ সেট্টল তৌখি। ইলেক্ট্রিসিটি থেফ্ট কেস অমা দিস্পোজ তৌদুনা লুপা ৪২০০০ সেট্টল তৌখি। লোন রিকোভরি মেটরগী কেস অমা দিস্পোজ তৌদুনা লুপা ৬০৫৮০৩ দিস্পোজ তৌখি। পুন্না কেস ১৯৬ দিস্পোজ তৌবগা লোয়ননা লুপা ১,৫৪,১৯,০৩৯ সেট্টল তৌখি।